# য়ু এসনা 'ৱান চাইনা দোক্ত্রিন' ঙাক্কনি হায়না প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা চাইনাগী সি জিনপিংদা থাজবা পীখ্রে

বৈজিং, ফেব্রুৱারী ১০ :
মতম শাংনা চৎনরক্লবা য়ু এসকী পোলিসী হোংদোক্কনি হায়না মমাঙদা থেংখাং কয়াদা ফোঙদোকখিবা লৈরবসু, য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা 'ৱান চাইনা পোলিসী' ঙাক্কনি হায়না শগোলশেল নুমিৎতা চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিন পিংদা থাজবা পীখ্রে। ত্রম্পনা সি জিন পিংগা টেলিফোনদা ৱারী শানবদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

য়ু এসনা মতম শাংনা ঙাক্তুনা লাক্লবা ৱান চাইনা পোলিসী মখা তানা মহাক্না ঈকায় খুম্নগনি হায়না থাজবা পীখিবসিগা মরী লৈনবা করি তৌরক্কনি নৎত্রগা হায়রক্কনি হায়বা তম্বা ঙমদবা য়ু এসকী লীদর অসিগী পোলিসী ৱাখলদা অহোংবা লাকপনি হায়ন এনালিষ্টশিংনা থাজরি।

টাইকুন ওইনা লৈরম্বদগী ষ্টেটসেমন অমা ওইরকখিবা ত্রম্পনা রিচার্দ নিক্সনগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতমদগী হৌরগা মতুং তারকপা য়ু এসকী গভর্ণমেন্টশিংনা ইল্লকখিবা পোজিসন অমা মখা তানা ঈকায় খুম্নবগী ৱাফম মহাক্না য়াখ্রে। মহাক্না ওফিস পায়দ্রিঙৈগী মমাঙদা ইন্টরভিয়ুঅর অমদা ফোঙদোকখিবা অমদা লল্লোন ঈতিক্কী ৱাফম য়াওনা চাইনাগা দিল অমা পুরক্ত্রিফাওবা মহাক ৱান চাইনা পোলিসী ঙাক্লোই হায়খিবনি।





চাইনা অমসুং টাইৱানগী মরক্তা লৈরিবা মুক্নবগী ফীভম চাইনাগী সিভিল ৱারদগী হৌরকখি। কুমজা ১৯২৭ তগী হৌখিবা সিভিল ৱার অদুদা চাইনাগী কম্যুনিষ্টি পার্টিগা মীচং ওইনবা ফোর্সশিংগা নেস্নেলিষ্ট কুমিন্টাং (কে এম টি) আর্মিগা খুৎ থোক্লখি। মাও জেদোংগী কম্যুনিষ্টশিংনা মায়থীবা পীবদগী কে এম টিগী চীফ চিয়াং কাই-সেক নেস্নেলিষ্টশিং (কে এম টি) গী কন্ট্রোল মখাদা লৈরিবা টাইৱানদা চেনখি।

চাইনা মপুং লমনা টাইৱানবু ক্লেম তৌবগুম চিয়াংনা টাইৱানদগী চাইনা অপুম্বা মখা তানা ক্লেম তৌখি। টাইৱানগী মপুং ফাবা মিং রিপব্লিক ওফ চাইনা ওইদুনা লৈ। অমরোমদা মপুং লমগী মিংনা পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনানি।

সাইদ অনীমক্না হৌজিকসু চাইনাবু রিপ্রজেন্ট তৌই হায়না হৌনবী মতুং ইন্না ক্লেম তৌরি।

টাইৱানদা লৈবা মীওই কয়ানা হৌজিকসু বৈজিংবু থাজদদুনা লৈরি। অতৈ মীওই কয়ানদি মরু ওইনা লল্লোন ঈতিক্কী খুদোংচাবশিং খন্নরকপা মতমদা বৈজিংগা অফবা মরী থম্নবা পামই।

কুমজা ১৯৯২ দা টাইৱান অমসুং মেনলেন্দ চাইনানা মফম অনীমক য়াওবগী ফীভমদা চাইনাবু অমত্তা ওইহনবগী ৱাফমদা য়ানখি হায়রি। তৌইগুম্বসুং মদুগী চপ চাবা ৱাহন্দোক্কী মতাংদদি মখোয়দা য়ানদবা লৈখি।

য়ু এসকী ৱান চাইনা দোক্ত্রিন অসি চহী ৪০ গী মমাঙদা বৈজিংগা দিপ্লোমেটিক মরী শাগৎপা হৌখিবদগী চৎনখি। দোক্ত্রিন অসিনা য়ু এসপু চাইনা অমসুং দি ফেক্টো ইন্দিপেন্দেন্ট টাইৱান অনীমক্কা মরী থম্নবা য়াহল্লি।

বৈজিংনা টাইৱানবু চাইনাগী প্রোভিন্স অমনি হায়না লৌই; হীরম অসিগী মতাংদা লৈরিবা য়ু এসকী পোলিসীদি ওবজার্ভরশিংদা অনী থোক্না উহল্লি হায়বা য়াই। চাইনা অমসুং টাইৱান অনীমক 'চাইনা অমগী' শরুকশিংনি হায়না য়ু এসনা হায়রি।

লুচিংবা অনীনা য়াম্না মরূপ-মপাং ওইবা মওংদা ৱারী শানখি অমসুং অমগা অমগা মখোয়গী লৈবাকশিংদা লাক্নবা ইনভাইট তৌনখি হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখি।

## বালিদা নোং কন্না চূবদগী লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা মীওই ১২ শিখ্রে

বালি, ইন্দোনেসিয়া, ফেব্রুৱারী ১০ :
নোং কা হেন্না কন্না চূবদগী ইন্দোনেসিয়াগী রিজোর্ট ঈথৎ বালিদা মফম অহুমদা লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা মীওই ১২ শিখ্রে হায়না ইন্দোনেসিয়াগী দিজাষ্টর এজেন্সিনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মাউন্ট বাটুর ভোলকেনোগী অঙম্বা চীংমায়গী শরুক্তা লৈবা বালিগী কিন্টামানি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ভিলেজ অহুমদা শগোলশেলগী অথেংবদা চীং নিংখাইদুনা য়ুম কয়া অমাঙ-অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা চহী ১ গী অঙাং নুপামচা অমা য়াওনা মীওই ১২ শিখ্রে হায়না দিজাষ্টর এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

লেন্দস্লাইদশিং অদুদা মীওই কয়া অশোক-অপন নংখ্রে হায়না নেসনল দিজাষ্টর মিটিগেসন এজেন্সিনা হায়খি। 'ভিক্টিম খুদিংমক শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকখ্রে অমসুং অশোকপশিংনা হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে' হায়না বালিদা ইন্দ্র কালক কৌবা এজেন্সিগী ওফিসল অমনা হায়খি। কালকনা হায়খি, ইরাই নুমিৎতসু নোং কন্না চূখি অমসুং এরিয়া অদুগী মীশিংনা চীংমায় ঙম্বা হায়বসি লেন্দস্লাইদশিং থোক্লিঙাইনি হায়বসি খঙগদবনি।

## য়ু এস, চাইনিজ মিলিটরি প্লেনশিং কা হেন্না নকশিন্ননা পাইখ্রে

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ১০ :
সাউথ চাইনা সিগী মথক্তা য়ু এস নেভিগী পি-৩ প্লেন অমা অমসুং চাইনিজ মিলিটরি এয়রক্রাফট অমা মীপাইনিঙাই ওইবা মওংদা অমগা অমগা নকশিন্ননা পাইখ্রে অমসুং য়ু এস নেভিনা থৌদোক অদু অতম্ননা থোকহনখিবা নত্তে হায়না থাজরি হায়না শগোলশেল নুমিৎতা য়ু এসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মশক মমিং ফোঙদোক্তবগী ফীভমদা ৱা ঙাঙখিবা ওফিসল অদুনা হায়খি, প্লেন অনীদু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফিলিপিন্স অমসুং চাইনিজ মেনলেন্দগী মরক্তা লৈবা স্কারবোরো সোলগী চিদাইদা অমগা অমগা সুপ্নগী ফুট ১০০০ দগী হেন্না থাপতোক্লদনা পাইনখি।

চাইনিজ অমসুং অমেরিকান এয়রক্রাফট চেন্নবা অসিগুম্বা থৌদোকশিং তোয়না থোক্তে হায়রদুনা ওফিসল অদুনা মখা তানা হায়খি মদুদি, অসিগুম্বা থৌদোক অনী ২০১৬ তা থোকপা লৈখ্রে।

য়ু এসকী এয়রক্রাফট অদু ইন্টরনেসনল লোগী মতুং ইন্না রুটিন মিসন অমদা ওপরেট তৌখিবনি হায়না য়ু এস পেসিফিক কম্মান্দগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৮ দা য়ু এস পেসিফিক কম্মান্দনা সেফ ওইদবা থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখিবা ইন্টরএক্সন অমা সাউথ চাইনা সিগী মথক্তা চাইনিজ কেজে-২০০ এয়রক্রাফট অমা অমসুং য়ু এস নেভিগী পি-৩ সি এয়রক্রাফট অমগী মরক্তা থোকখিবা লৈ হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

কে জে-২০০ অসি সোসিয়েত মতমদা দিজাইন তৌখিবা অরিবা এ এন-১২ দা বেজ তৌবা প্রোপেল্লর শীজিন্নবা এয়রবোর্ন আর্লি ৱার্নিং অমসুং কন্ট্রোল এয়রক্রাফট অমনি।

'দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্স অমসুং য়ু এস পেসিফিক কম্মান্দনা চাইনিজ মিলিটরি ফোর্সশিংগা থেংনবা খুদোংথীনিঙাই ওইরবা ইন্টরএক্সনশিং মতম চূপ্পদা লুনা লৌই' হায়না পেসিফিক কম্মান্দনা মখা তাখি।

বৈজিংদা চাইনাগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেট মিদিয়াদা ফোঙদোকখি মদুদি, চাইনিজ পাইলোট অদুনা লিগল অমসুং প্রোফেস্নেল ওইবা মওংদা রেস্পোন্দ তৌখি।

## ইজরেল, য়ু এসকী মায়োক্তা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা ইরানিয়নশিংনা কুমজা ১৯৭৯ গী রিভোল্যুসন নিংশিংখ্রে

টেহরান, ফেব্রুৱারী ১০ : লৈবাক শিন-থুংবদা রেল্লি কয়া শিনবগা লোয়ননা ইরানিয়নশিংনা কুমজা ১৯৭৯ গী রিভোল্যুসনগী ৩৮লকশুবা নিংশিং কুমওন পাঙথোকখ্রে।

টেহরানদা দেমোন্সট্রেটরশিংনা য়ু এস অমসুং ইজরেলগী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাউখি। রেল্লিশিং অদু য়ু এসকী অনৌবা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং ইরানগী লুচিংবশিংগী মরক্তা ৱাহৈগী লাল অমা কন্না চথনরিঙৈ অমসুং হন্দক্তা বলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েং অমা পাঙথোক-খিবগীদমক্তা টেহরানবু য়ু এসনা চেকশিন-ৱা পীখিবগা ঈরোয়ননা পাঙথোক্লিবনি।



অতৈ মফম কয়াদা তৌনবগুম দেমোন্সট্রেটর লিশিং চা কয়ানা অজাদি স্কৱারদা চঙশিন্নখি অমসুং মফমদুদা প্রসিদেন্ট হশন রৌহানিনা মীয়ামদা ৱা ঙাঙখি। মহাক্না অনৌবা য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসনবু 'প্রোব্লেম অমনি' হায়খি অমসুং ইরান্না য়েক্লবশিংনা কিহল্লকপা খুদিংমক অকনবা মওংদা পাউখুম পীগনি হায়খি।

'মখোয় খুদিংমক্না ঈকায় খুম্নবগী মিৎয়েংগা লোয়ননা ইরানিয়ন নেসনগা ৱারী শানগদবনি হায়বসি খঙগদবনি' হায়না রৌহানিনা মালেম পুম্বদা খঙহনখি। 'ঐখোয়গী লৈবাক্না থ্রেট খুদিংমক অকনবা মওংদা পাউখুম পীগনি। (ইরানিয়নশিংনা) অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা য়েক্লবশিংবু থেংনগনি।'

রৌহানিনা ইরানবু নোংশাশিংগী লৈফমনি তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিনা কনামত্তগা তাথি-তাওইনবা পামদে হায়খি। 'ঐখোয় লমদম অসিদা অমসুং মালেমদা টেন্সন লৈহনবা পামদে। অকন-অরিং উৎলকপা অমসুং কিহল্লকপা খুদিংমক্কী মায়োক্তা ঐখোয়না অমত্তা ওইনা লৈ।'

ইনহেলাব ষ্ট্রীটতা লৈবা দাউনটাউন টেহরানদা মীওই লিশিং কয়ানা দেমোন্সট্রেসন চৎখি। মীওই কয়ানা ইরানগী ফিরাল পুখি অমসুং অতৈ কয়ানা রিভোল্যুস্নরি স্লোগানশিং য়াওবা বেন্নরশিং অমসুং পোষ্টরশিং পুখি।

য়ু এসকী অনম্বা ফিরালশিং অমসুং হৌজিক্কী অমসুং মমাঙগী য়ু এস প্রসিদেন্টশিংগী পিকচরশিং লম্বীদা লংথখি অমসুং দেমোন্সট্রেটর খরনা মখোঙনা নেৎখি।

কুমজা ১৯৭৯ দগী ইরান অমসুং য়ু এসনা দিপ্লোমেটিক মরীশিং থম্নদুনা লাকখি। চহী অদুদা ইরানগী মহৈরোয়শিংনা অমেরিকান এম্বেসিদা থোমজিনখি অমসুং অমেরিকান ৫২ হোষ্টেজ ওইনা নুমিৎ ৪৪৪ চূপ্না ফাজিন্দুনা থমখিবনি।

কুমজা ১৯৭৯ গী ফেব্রুৱারী ১১ দা অয়াতোলা রুহোলাহ খোমৈনিগী খোঙলোয়শিংনা য়ু এসনা শৌগৎপা সাহ রেজা পাহলাভিবু মফমদগী চিংথুখিবগী থৌদোক নিংশিংলদুনা ইরানিয়নশিংনা রেল্লিশিং অদু পাঙথোক্লিবনি।

কুমজা ১৯৫৩ দা য়ু এসকী মতেং অমসুং থৌইনশিনগা লোয়ননা কূ অমা পাঙথোক্তুনা ইরানগী মীয়াম্না পাম্নরবা মোহম্মদ মোসাদেগপু মফমদগী চিংথুখি। কূ অদুনা মরম ওইরগা পাহলাভিনা লৈঙাক্কী পৱার পায়খিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মরক্তা চহী কয়া লিশাং শিৎনা থাজনদবগী মরু হুনখি।

## ত্রাভেল বেনগী মতাংদা য়ু এসকী অপিলস কোর্টনা দোনাল্ড ত্রম্পকী মায়োক্তা রুলিং পীখ্রে



লোস এঞ্জেলিস, ফেব্রুৱারী ১০ :
মুস্লিমশিংনা মশিং য়াম্বা লৈবাক তরেৎকী রিফ্যুজিশিং অমসুং নেসনলশিংদা অথিংবা থম্বা দোনাল্ড ত্রম্পকী ইগজিক্যুটিব ওর্দর অমুক হন্না চৎনহনবগী ৱাফম য়ু এসকী কোর্ট অমনা শগোলশেল নুমিৎতা মোত অমত্তা ওইনা য়াখিদ্রে। কোর্টকী ৱারেপ অদুনা ত্রম্পকী ৱাথোক ওইরবা লো এন্দ ওর্দরগী এজেন্দাবু চাউনা মায়থীবা নংহনখ্রে হায়রি।

মাঙজৌননা ৱার্নিং পীবা তৌদনা হৌখিবা জান্যুৱারী ২৭ তা ইস্যু তৌখিবা অমসুং মতুং চয়োল অমা লৈরগা লৱার কোর্ট অমনা চৎনহনখিদবা প্রসিদেন্ট ত্রম্পকী ইগজিক্যুটিব ওর্দর অদুগী মতাংদা সান ফ্রান্সিস্কোদা লৈবা ফেদরেল অপিলস কোর্টনা পীরিবা রুলিং অদুনা ত্রম্পনা প্রসিদেন্সি পায়রকপদগী অহানবগী চয়োল অহুম চূপ্না মওং মরিল তাদবা চরাংনবা ফীভম অমা লৈরকখিবদু লোইহনখ্রে হায়রি।

হনবা লৈতবা মওংদা ত্রম্পনা য়াম্না থুনা কোর্টকী ৱারেপ অদুবু মখা তানা শীংনখিবনি হায়না ট্বীটরদা ফোঙদোকখি। 'মসি পোলিটিকেল ৱারেপ অমনি' হায়না মহাক্না তুংদা পাউমীশিংদা হায়খি।

জষ্টিস দিপার্টমেন্টনা মাপনশুবা সার্কিট কোর্ট ওফ অপিলসতা এদমিনিষ্ট্রেসনগী খোঙথাং অদু ইমরজেন্সি বেসিসতা হিঙ্গৎহন্নবা হায়জখি তৌইগুম্বসুং জজ অহুমগী পেনেলনা জষ্টিস দিপার্টমেন্টগী রিক্বেষ্ট অদু য়াবগী মহুৎতা সিট্টলদা ফেদরেল জজ অমনা থোকখিবা ওর্দরদু ওইনা শৌগৎখি।

ত্রম্পকী ওর্দর অদুনা করিগুম্বা মরম অমত্তা পীদবীদা ইরান, ইরাক, লিবিয়া, সোমালিয়া, সুদান, সিরিয়া অমসুং য়েমেনদগী লাকপা ত্রাভেল্লর খুদিংমকপু নুমিৎ ৯০ নি চঙবা থিংখি অমসুং রিফ্যুজি খুদিংমকপুনা নুমিৎ ১২০ নি থিংখি। সিরিয়াদগী লাকপা রিফ্যুজিশিংদি মতম কক্তুনা থিংখি।

ইস্লামিক ষ্টেট অমসুং অল-কাইদাগী ফাইটরশিংবু য়ু এসকী সোইলদা চঙবা থিংবদা বেন অদু চৎনহনবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়না অনৌবা রিপব্লিকান এদমিনিষ্ট্রেসন্না অরগ্যুমেন্ট তৌখি, তৌইগুম্বসুং লম চখোক-চৎশিনগী মতাংদা চরাংনবা অমসুং মথোং মরম খঙদবা ফীভম অমা লাকহনখিবগা লোয়ননা মদুবু ইম্মিগ্রেসন এদভোকেসি গ্রুপশিংনা অকনবা মওংদা ওপোজ তৌখি।

## পাকিস্তাননা লালহৌবা গ্রুপ খুদিংমকপু থেংনবদা মীৎয়েং থমই হায়না পাক আর্মি চীফনা থাজবা পীখ্রে

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ১০ :
পাকিস্তাননা লৈবাক অসিদা ওপরেট তৌরিবা লালহৌবা গ্রুপ খুদিংমকপু থেংনবদা কম্মিট তৌই হায়না আর্মি চীফ জেনরেল কামর জাভেদ বাজৱানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী দিফেন্স সেক্রেটরি জেমস মাটিসকা টেলিফোনদা অহানবা ওইনা ৱারী শানবদা থাজবা পীখ্রে।

পাকিস্তানগী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফকা ৱারী শানবদা জেনরেল (রিটয়ার্দ) মাটিসনা লৈবাক অনীগী মিলিটরি মরী কায়হন্দনা থম্বগী তঙাই ফদবা পন খি হায়না পেন্টা-গোনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

'পাকিস্তাননা লৈবাক অসিদা ওপরেট তৌরিবা মিলিটেন্ট গ্রুপ খুদিংমকপু থেংনবদা কম্মিট তৌই হায়না জেনরেল বাজৱানা ফোঙদোরকখি' হায়না পেন্টাগোনগী স্পোক্সমেন কেপ্টেন জেফ দাভিসনা হায়খি।

ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা রুল তৌবা ত্রাইবেল এরিয়াশিংদা পাকিস্তান মিলিটরিনা শিংথানিঙাই ওইবা মওংদা কখোককখিবশিং মাটিসনা রিকগনাইজ



তৌখি অমসুং হন্দক্তা খোরাসান প্রোভিন্সতা আই এস আই এসপু মায়থীবা পীনবা হোৎনবদা পাকিস্তান মিলিটরিনা শৌগৎখিবদুবু থাগৎখি হায়না কেপ্টেন দাভিসনা ফোঙদোকখি।

লুচিংবা অনীনা লৈবাক অনীগী মিলিটরি মশেলগী ওইবা মরী চেৎশিনহনবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়না য়ানখি অমসুং কাউন্টর-টেররিজম অমসুং রিজনেল ষ্টেবিলিটিগী মতাংদা মখা তানা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়নসু য়ানখি' হায়না কেপ্টেন দাভিসনা মখা তাখি।

পাকিস্তান আর্মিগী স্পোক্সমেন মেজর জেনরেল অসিফ ঘাফুরগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, জেনরেল বাজৱা অমসুং সেক্রেটরি মাটিসনা মিনিট ২০ টেলিফোন্দা ৱারী শানখি। মখোয়না লমদম অসিদা পিছ অমসুং ষ্টেবিলিটি লৈহন্নবা পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাই ফদববু নৌহৌননা য়ানখি অমসুং পান্দম অসিগীদমক খোঙথাং কয়ামরুম খন্নখি। জেনরেল বাজৱা অমসুং জেনরেল (রিটয়ার্দ) মাটিসনা লেভেল কয়াদা মখা তানা ইনগেজ তৌনবগী ৱাফমসু য়ানখি।

'সেক্রেটরি মাটিসনা পাকিস্তানগী মীয়াম অমসুং আর্মর্দ ফোর্সশিংনা উৎখিবা কখোকপশিং অমসুং অখাঙ কনবগী মওংশিংবু থাগৎখি লোয়ননা পাকিস্তান আর্মিনা টেররিজম থেংনবদা লৌখিবা থৌদাংবুসু থাগৎখি' হায়না মেজর জেনরেল ঘাফুরনা হায়খি।

দিফেন্স সেক্রেটরিনা অনৌবা রেস্পোন্সিবিলিটি পায়রকখিবদা আর্মি চীফনা হরাউবা ফোঙদোকখি অমসুং মহাক্কী পাক শল্লবা এক্সপরিয়েন্স অদু লমদম অসিগী ওইনা মমল য়াম্না ৱাংই হায়না স্পোক্সমেন ঘাফুরনা মখা তাখি।




## EMPLOYMENT NEWS

### UPSC Recruitment 2017 – Union Public Service Commission – Combined Geo-Scientist and Geologist Examination, 2017 (138 Vacancies) – Last Date 03 March

**UPSC Recruitment 2017**
Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of Combined Geo-Scientist and Geologist Examination, 2017 for 138 Vacancies. Apply Online before 03 March 2017.

Advt. No. : 5/2017-GEOL

**UPSC Job Details :**
Post Name : Combined Geo-Scientist and Geologist Examination, 2017
No of Vacancy : 138 Posts
Category wise Vacancies :
Geologist, Group A : 40 Posts
Geophysicist, Group A : 40 Posts
Chemist Group A : 25 Posts
Junior Hydrogeologists (Scientist B), Group A : 33 Posts

**Eligible Criteria for UPSC Recruitment :**
Educational Qualification :
For Geologist : Master's degree in Geological Science or Geology or Applied Geology or Geo-Exploration or Mineral Exploration or Engineering Geology or Marine Geology or Earth Science and Resource Management or Oceanography and Coastal Areas Studies or Petroleum Geosciences or Petroleum Exploration or Geochemistry or Geological Technology or Geophysical Technology from a University incorporated by an Act of the Central or State Legislature in India.
For Geophysicist : M.Sc. in Physics or Applied Physics or M.Sc. (Geophysics) or Integrated M.Sc. (Exploration Geophysics) or M.Sc. (Applied Geophysics) or M.Sc. (Marine Geophysics) Or M.Sc. (Tech.) (Applied Geophysics) from a University incorporated by an Act of Parliament or State Legislature in India.
For Chemist : M. Sc. in Chemistry or Applied Chemistry or Analytical Chemistry from a University incorporated by an Act of Parliament or State Legislature or other educational Institutes.
For Junior Hydrogeologists : Master's degree in Geology or Applied Geology or Marine Geology from a University incorporated by an Act of the Central or State Legislature in India.
Nationality : Indian
Age Limit : minimum & maximum age limit is 21 to 32 years for Geologist, Geophysicist and Chemist and 21 to 35 years for Junior Hydrogeologists as on 01.01.2017

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Written examination & Interview/ Personality Test.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 200/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST candidates/Sons of JCOs/NCOs/ORs who are exempted from payment of fee.

**How to Apply UPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in from 08.02.2017 to 03.03.2017 till 18.00 hrs thereafter website link will be disabled.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 08.02.2017
Last Date for Submission of UPSC recruitment Online Application : 03.03.2017
Last Date for Submission of Application fee by Challan : 02.03.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.upsc.gov.in/sites/default/files/GEOL_2017_Notification_English.pdf
**Apply Online :** https://upsconline.nic.in/mainmenu2.php

### SBI Recruitment 2017 – State Bank Of India – 2313 Probationary Officers (POs) Vacancies – Last Date 06 March

**SBI Recruitment 2017**
State bank of India invites Application for the post of 2313 Probationary Officers (POs) in State Bank of India. Apply Online before 06 March 2017.

Advt. No. : CRPD/PO/2016-17/19

**SBI Job Details :**
Post Name : Probationary Officers (POs)
No. of Vacancy : 2313 Posts
Pay Scale : Rs. 23700-42020/-
Categories wise Vacancies :
SC : 347 Posts
ST : 350 Posts
OBC : 606 Posts
GEN : 1010 Posts

**Eligibility Criteria for SBI Recruitment :**
Educational Qualification : Graduation in any discipline from a recognised University or any equivalent qualification recognised as such by the Central Government. Those who are in the Final year/Semester of their Graduation may also apply provisionally subject to the condition that, if called for interview, they will have to produce proof of having passed the graduation examination on or before 01.07.2017.
Nationality : Indian
Age Limit : 21 to 30 years as on 01.04.2017
Age Relaxation : OBC (Non Creamy Layer) Candidate 3 years, Scheduled Caste/ Scheduled Tribe 05 years & Persons With Disabilities (PWD) 10 years.

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Preliminary Examination, Main Examination, Descriptive Test & Group Exercises.

**Application Fee :** SC/ST/PWD Candidates have to pay Rs.100/- and Rs. 600/- for General and Others through online mode of fee collection i.e. Internet Banking, Debit Cards (RuPay/ Visa/ Master Card/ Maestro), Credit Cards, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets.
**How to Apply SBI Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website www.sbi.co.in form 07.02.2017 to 06.03.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application form : 07.02.2017
Last Date for Submission of SBI Recruitment Online Application form : 06.03.2017
Date for Payment of Application Fees/Intimation Charges : 07.02.2017 to 06.03.2017
Date of Online Examination (Preliminary) : 29 & 30.04.2017 and 06 & 07.05.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : https://www.sbi.co.in/webfiles/uploads/files/SBI_PO_Recruitment_ Eng_06022017.pdf
**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/sbiposjan17/reg_start.php?msg=Application_is_not_yet_started.